# ককচীং অমসুং লাইনিংথৌ খল্লাংবা - ১

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

অঙনবা মতমদগীনি, লমদম অসিগী লাইনীং লিচত্তা ইপা-ইপু, ইমা-ইবেনশিংবু লাইনিংথৌ লাইরেম্মা ওইনা ঈরাৎ থৌনিবগী থৌওং চথরক্লিবসি। ককচীং লোই ফুরুপ্পা লাৎনরিবা ইবুধৌ খল্লাংবসু লমদমসিগী উমংলাইশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা লাইনিংথৌ অমনি। ফুরুপ অসি অঙনবা মতমদগী হৌনা লৈরকখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফম খরদা খুন্দাদুনা লৈরক্লবনি হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা থন্বীরম্বা ৱারী লাইরিকশিংদগী খঙবা ঙম্মী। ফুরুপ অসিনা খুন্দারিবা মফম খুদিংমক ফুরুপ অসিগী মীং লৌদুনা থোল্লি। মতৌ অসুম্না ককচীংনা খুন্দাখিবা মফমশিংবু ককচীং খুল্লেন, ককচীং ৱাইরি, ককচীং খুনৌ, নোংপোক ককচীং হায়না খঙনৈ। ককচীং লোই অঙনবা মতমদগী লৈরক্লবনি হায়বগা মরী লৈনবা ৱাফম অমা 'কৈ লোই লিংখৎপা' দা ময়েক শেংনা য়াওরি। মসিগী মতুংইন্না নোংদা লাইরেন পাখংবনা কংলৈগী নিংথৌ ওইনা পানবা মতমদা লিংখৎখিবা লোই খুঙ্গং তরামঙাগী মনুংদা ককচীং লোইসু য়াওরি। হায়রিবা মতমসিদা লিংখৎখিবা ককচীং লোই কাঙলূপ্না অহানবা খুন্দাখিবা মফম অদু কদাইদনো হায়বগী মতাংগা মরী লৈনবা চপ চাবা তাংদাংবা ৱাফম থেংনদে। মদুমক ওইদুনসু ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রনা ইবা 'মৈত্রবাক্কী পুৱারীদা ককচীং' হায়বা লাইরিক অসিদা ইরিবগী মতুংইন্না কংলৈগী নোংপোক্তা ওইরম্বা য়াবগী থাজবা লৈ। ককচীং ফুরুপকী পুৱারী ইবদা চীনবুং ৱারী, মিথ, লেজন্দ, লাইশোন তীনশোন্নচিংবা কয়া মমুৎ তানা নৈনবগী মথৌ তারকই। মতাং অসিদা মিথ অমদি অশেংবা পুৱারী অনীগী নক্লবা মরী অদু খঙবগা লোয়ননা খেন্নবা অদুসু নৈনদবা য়ারক্তে।

থমজরিবা নৈন ৱারোল অসি ইম্ফালদগী খা নোংচুপ ওইরপ্না কিলোমিটর নিফুমরি লাপ্না লৈবা ককচীং লোই ফুরুপ্না খুন্দাবা ককচীং খুল্লেন অমসুং ককচীং ৱাইরিগী হৌরক্লোন, পুৱারী অমসুং ফুরুপ অসিনা লাৎলিবা ইবুধৌ খল্লাংবগী মরমদনি। খল্লাংবা খুনকুল্লোন, ফৌওইবী ৱারোল, নিংথৌরোল লম্বুবা, ঈরাৎ লাইশোন, লোইয়াম্বা শিনয়েন্নচিংবা লাইরিক কয়াদা ককচীং অমদি ইবুধৌ খল্লাংবগী মরমদা য়াওরি। ইবুধৌ হায়বা মিংথোন অসি ককচীংনা লাইনিংথৌ খল্লাংবদা শীজিন্নরল্লিবা অসিমক তরাই তরাইনা লৌফম থোক্তে। লাইনিংথৌগা ককচীংগা লৈনরিবা মরী অদু য়াম্না কূপ্না নৈনবগী মথৌ তারি। ককচীংনা খুন্দাবা খুনশিং অমদি উরিপোক্তা ইবুধৌ খল্লাংবা হরাউবগী থৌরম ঈরাৎ থৌনিগা লোয়ননা পাঙথোকই। অসুম্না লাইনিংথৌ অসি ককচীংখক্তমক নত্তনা অতোপ্পনসু লাৎলি। খম্বলাংবা কনানো, করিগীদমক মহাকপু লাইনিংথৌগী থাক্তা পুখৎলল্লিবনো হায়বসি নৈনবগী মতাং ওইরে। খল্লাংবগা তোঙান তোঙানবা মফমদা খুন্দারিবা ককচীং লোই ফুরুপকী খুঞ্জাশিংগী পুৱারীগা খাইদোক্লবা য়ারোই। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা ইবুধৌ খল্লাংবা লাইগী মতিক ময়াই চেনবা হৈথোই শিংথোইবা শীংথানবদা মতিক চারবা লাইগুল্লবা মীশক অমা ওইরম্মী হায়বসিমদি কক্লিংঙাই লৈতনা চুম্লবা ৱাফমনি। মতমগী খোঙচৎকা ইরোয়ননা লাকখিবা ৱাখল্লোন, শেন্মীৎলোন, লৈঙাক্লোন, খুন্নাইগী চৎনরোল, লাইনীং লাইশোন, নাৎ কলচরনচিংবদা লাকখিবা অহোংবা কনানসু থিংবা ঙমদনা লাক্লি। অসুম্না লাইনীং লিচৎকী মতাংদসু থোইদোক হেন্দোকপা লাইপোক কয়াবু লাইগী থাক্তা থমদুনা মালেমগী মফম কয়াদা মানা মানা পামজবা মওংদা নীংনরি শোন্নরি। মখোয়না তাইবঙপান্দা হিংলিঙৈদা পাঙথোক্লম্বা মপান নাইদ্রবা থবক থৌরমশিং অদুগীদমকনি। ঐখোয়গী ইবুধৌ খল্লাংবগী মতিক মগুন নৈনবদা তাইবঙ মী অমা ওইনা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক মহাক্লা তৌরম্বা থবকশিং অদু মমুৎ তানা খঙবগী মথৌ তারকই। ককচীংনা খুন্দাবা মফমশিং অমদি উরিপোক্কী মীয়াম্না মহাকপু মপা মপু ওইনা লাৎলিবসি হীরম খরদা থাদোক্লবা য়াদবা মরী অমা লৈবগীনি।

নৈন ৱাফম অসিদা থমজরিবা ককচীং খুল্লেন অমসুং ককচীং ৱাইরি কদোমদগী কমদৌনা হৌজিক লৈরিবা মফম অসিদা লাকখিবনো হায়বগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা থন্বীরম্বগী মতুংইন্না ককচীং ফুরুপ অসি হান্ননা লৈরম্বা মফমদগী মথং মথং মফম কয়াদা চাইথোকখিবগী ৱাফম থেংনৈ। "ককচীংগী ইতিহাস' হায়বা লাইরিক্তা ইরম্বা মতাং অমা লৌখত্তুনা ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রনা মাগী 'মৈত্রবাক্কী পুৱারীদা ককচীং' দা অসুম্না ইরি মদুদি কাঙলূপ অসি নোংপোক্তা থৌবাল তুরেল মরূদা খুন্দারম্বদগী মথং মথং হোংলক্তুনা ককসিয়াই, থৌবাল তোমজিং ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈখি। মদুদগী ককচীংদা হোংলকখিবনি। শক্লাইরবা পণ্ডিট নাওরেম অমুয়াইমা (পণ্ডিট অচৌবা) গী ককচীং খুন্থোক্লোন্দা ইরম্বগী মতুংইন্না ককচীং কাঙবুনা থৌবালদা লৈরিঙৈদা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা সিখোং নিংঙেল থুমখোং য়েংশিনবা লেঙবীরকখি। লম্বীদা ককচীং নুপা অমনা মৈদিংঙু খোঙলেক্লকপদু থেংনরম্মী। নিংথৌবু উবদা হূপ মতোন অহুম থৎলগা কৎলম্মী। নিংথৌনা নুপা অদুদা হূপ মতোন কৎপগী মরম হংবদা মহাক্লা খুম্লম্মী, "লাইনিংথৌ নিংথৌদি লাইনি উনবদা করিগুম্বা খুদোলপোৎ অমা কত্তবা তৌহৈদে হায়না অহল-লমনশিংনা তাকপী। ঐদি ঙসি ইনিংথৌ লেঙলক্কনি খঙজ দবনা করিসু য়াওজরক্তে, মীৎনা উবা অফংবা হূপ মতোন অহুম অসিনা খুদোল ওইনা কৎচরিয়ে।" ৱাফম অসি হায়রগা নিংথৌদা খুরুম্লম্মী। মদুদা নিংথৌনা পেনবীরদুনা নিংথৌবু লাইনি হায়বা খঙবা বুদ্ধি লৈবনি হায়দুনা বুদ্ধিরাজ মিংথোন পীদুনা ককচীং নিংথৌ হাপ্পীখি। হৌজিক লৈরিবা ককচীং হায়না খঙনরবা মফমসিদা হোংলক্লবা মতুংদসু খুন অসিগী নিংথৌ পূম্নমক বুদ্ধিরাজ হায়বা মিংথোল অসি ফংখি। হীরম অসি মিয়াৎ কৌবা পুয়াদগীনি হায়না অইবনা থন্বী। মম অমদা ককচীংনা থৌবালদা লৈরম্মী হায়বসিমসু তশেংনা চুম্লে হায়না লৌবা য়ারে। করিগীদমক খুন হোং হোংদুনা লাকখিবনো হায়বগী মরম খরসু লৈফম থোকই। শেন্মীৎলোন অমদি লৈঙাক্লোনগা মরী লৈনরম্বসু য়াই। কনাগুম্বনা হায়নবসু য়াওই লৈবাক নিংথৌগা য়ান্নরক্তবগীসু ওইরম্বা য়াই। য়োৎশুং য়োৎশানা মপূং ওইবা ককচীংনা য়োৎচাক থিবগীদমক মফম হোং হোংদুনা খুন্দাখি হায়বসিমদি য়েৎননীংঙাই ওইদ্রে।

মণিপুরী ফোকলোরদা মিথসু মরু ওইবা মফম কন্দুনা লৈ। লৈশেম্লোন, লম্মীৎলোন, মীশেম্লোন, লৈঙাক্লোন, লাইচৎলোন, শেন্মীৎলোনগা মরীলৈননা মিথ মরাং কায়না লৈজে। ককচীংগা মরী লৈনবা লম্মীৎলোন্দা মিথ লৈ হায়বসি ফৌওইবী ৱারোল, নিংথৌরোল লম্বুবনচিংবদা য়াওরি। নিংথৌরোল লম্বুবদা ইরিবগী মতুংইন্না লোইমোম ফৌওইবীনা মতারোই মঙা হায়বদি চিৎনু লৈমা চিৎমিংনবী, হাইনু লৈমা হাইমিংনবী, ককচীং হাওকোনবা চনু নোইনু থুমওইবী, তোইবীকোন মিংনাইবী অমসুং কোলাংনু কোলাং নাসিনবীগা লোয়ননা মখোয় তরুক কারাল শোয়দা পোত্থাগে হায়না লাক্লম্মী। মতমদুদা তুবী অঙানবা লাইরেন অরেম্বনা কোলাংনুগী মশম কত্তুনা থাল্লম্মী। থৌদোক অদুদগী মফম অদুবু ককচীং হায়না খঙনখি।

ফৌওইবী ৱারোলদসু অসুম্না ইরি মদুদি, কারাল নিংথৌ শোকপাম্বনা লৈরিবা মফমদা লাকপদা তুবী অঙনবা লাইরেন অরেম্বনা কোল্লাংনুগী মশম কল্লগা খামহৌবদগী ককচীং হায়না মিংথোনখি। নিংথৌরোল লম্বুবদা য়াওরিবা অতোপ্পা মিথ অমগী মতুংইন্না মকোক অনী লোঙবা লাইরেন অমগী মকোক অমনা ৱাইথৌ পাত্তা চাক্তারম্মী। অতোপ্পা মকোক অদুনা ককচীং চোংচিংদা চাক্তারম্মী। মঙাং সলাইগী সোরা লাইহৎথৌবা কৌবা নুপা অমনা মকোক অনী অদু ককপা মতমদা মকোক অমা তাখিবা মফম্বু ককচীং অমসুং অতোপ্পা মকোক্লা তাখিবা মফম্বু চোংচিং হায়না খঙনখি। ককচীং খুন্থোক্লোন্দসু মরী লৈনবা মিথ য়াওরি। লাইনিংথৌ খল্লাংবগী কাঙবুনা থৌবালদা য়োৎশুং য়োৎশাগী থবক তৌদুনা লৈরিঙৈদা ঙানবা তেকচাক পাম্বা সোরা কৌবা নুপা অমগী য়ূমদা য়ু শুংনবা থম্বা লূথূপ অদু থৌবাল ঈরুম্লাই মকোক অনী লোঙবনা অহিং নোংয়াইদা লাত্তুনা মরক মরক্তা চাথোক্লম্মী। অশেংবদু খঙদবনা য়ূমলোন কৈরোন্নবগা খৎনা চৈনবা থোক্লে। মপাঙ্গল শোনবা মরম্না য়ূম শংলগা লৈবা সোরাদি ইকায়রদুনা মখূত্তা থাঙশাং পায়দুনা ঙাইরম্মী। লাইরেন অদুনা লূথূপ অদু চারিঙৈদা মহাক্লা লাইরেন মঙক অনী অদু কত্তুনা হাৎখি। থৌদোক অদুদগী মতিক মগুন লৈবা লাইবু ইরায় লায়না হাৎপা ঙম্মী হায়দুনা মাগী মমিং সোরা লাইহাৎ থৌবা অমসুং তুবী লাইরেনবু মঙক ককই হায়দুনা ককচীং হায়না মিংথোনখি। মিথ নৎত্রগা অশেংবা শেংদবা হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম ওইরগা ককচীং ফুরুপ্পা থৌবালদা খুন্দারম্মী হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। পণ্ডিট অমুয়াইমনা থন্বীরবগী মতুংইন্না মৈদিংঙু পামহৈবনা পানবা মতমদা ককচীং কাঙবুনা থৌবাল থাদোক্তুনা কেরেচীং (ককচীং কৈথেলদগী খা নোংপোক ওইরপ্না চাউরাক্লা কিলোমিটর অহুম্মুক লাপ্না লৈবা চীং)দা হোংলকখিবা অমদি কাইনথংদা ককচীং খুলেন, ককচীং ৱাইরি, ককচীং খুনৌ, নোংপোক ককচীংদা খুল্লিংখিবগী ৱারীসু লৈরি। ●




## মরোল থোকপা লাই




GOVERNMENT OF MANIPUR
POLICE DEPARTMENT
--
DIRECTOR GENERAL OF POLICE
MANIPUR POLICE HEADQUARTERS,
IMPHAL-795001
--
**e-Tender Notice**

No.PR-18/44/2017-18/PHQ (e-tender) Imphal, the 21st November, 2019

1. The Director General of Police, Manipur hereby invites e- Tender with 2 bid system i.e. Technical Bid consisting of all technical details and Price Bid indicating item-wise price of the items from all intending reputed and registered Manufacturers/Fabricators / Firms for supply of ***Bullet Proof Jacket (light weight) &Bullet Proof Helmet (Light weight)***. Quantity and Specifications of the 2(two) items are enclosed in the **Schedule**. ***Rates to be quoted are to be Free of Rail (F.O.R.) Imphal and inclusive of GST and transportation charges.***
2. The details of the tender will be available on the Website- www.manipurtenders.gov.in

NB. Approximate Tender value is **Rs. 162.84 lakh** only.

Sd/-
Director General of Police,
Manipur, Imphal.

HL-B/5820/24,26

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X (BOSEM) CLASS STARTING - 9th DEC, 2019 TIME : 01:00 p.m. TO 05:00 p.m.
CLASS XII SC. (COHSEM) CLASS STARTING - 2nd DEC, 2019 TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR
CLASS IX & X (BOSEM) CLASS STARTING - 23rd DEC, 2019 TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
CLASS VI TO VIII (BOSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020 TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
* Day Boarding Facilities.
* Class test will be conducted on alternative days.
* Carrier Counselling for future study.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Study Material will be provided.
* Transport & Hostel facility will be available.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari) Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-P/5262/10 nov. to 9dec.

**/নপ মহী তাবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, কোক চিকপা, কোক নাবা, লোক তোয়না থুংবা, নাতোন মখুল অনীমক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, য়ারোমদা ওইনা শ্বর হোনবনা মরম ওইদুনা য়াখোঙ চেৎলক্তবা, নাহি তোয়না তাবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদ ফুসমবু থাগৎচরি**

ঐগী হকচাংদা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা নপ মহী তাবা, নাতোন্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, কোক চিকপা, কোক নাবা, লোক তোয়না থুংবা, নাতোন মখুল অনীমক ফুল্লগা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, য়ারোমদা ওইনা শ্বর হোনবনা মরম ওইদুনা য়াখোঙ চেৎলক্তবা, নাহি তোয়না তাবা, উফুল কাবা মরক্তা চৎপা য়াদবা, শ্বর মনম নমথীবা, নপ শিৎপা অমদি লোক শিৎপদা ঈ অমদি নাইগুম্বা য়াওরকপা, কোক ঙাওবা, করিগুম্বা ৱাখল চনিং তানা খনবা ঙম্লক্তবা য়াওরকপা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক নাবা, লাইরিক পাবা ঙমদবা, হকচাং পাঙ্গল নোংম-নোংমগী শোন্থরকপা, তূম্বদা শ্বর ফুনগৎপা, থৌনাওদা ফুল্লগা লৈবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)

HL-P/5333/25 থাগৎচরিবা : **N. Sanamatum,** Thoubal



OUR SHINING STARS
1st Position Holder HSLC 2019 (BOSEM) BHUMIKA SHAMURAILATPAM
2nd Position Holder HSLC 2019 (BOSEM) SOPHIYA ASEM
SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE 2019-2020
Class XII Sc Start on 25-11-2019
Class X (BOSEM) Start on 13-12-2019
NEW FOUNDATION COURSE 2020
Class IX, X, XII Sc
START ON 13-12-2019
SUBJECTS :
Maths, S.S., M/M, English, Sc, Optional
Maths, Phy, Chem, Bio, Eng.
Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192
For Detail : Visit Smart Tutorial
HL-P/4196/11sept.-8nov.(alt.)



ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4529/25oct.to23nov.

**/অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা, খোঙ হাম্বা লোইরবা মতুংদা অমাংথোঙদা চিকপা নাবা তৌরগা লৈবা, অমাংথোঙ মপান্দসু চেকখায়বা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোম্বা, খোঙ হাম্বা চংদবা, খোঙ অকনবা হান্নকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপানগী চেকখায়ফম অদুদা থেংলগা ঈসু তারকপা অমাংথোঙ মনুংদা চক-চক থিল্লকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি**

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মনুংগী অকোয়বদু চাথৎপা, খোঙ হাম্বদসু চিকপা অমদি নাবা তৌরগা লৈবা, অমাংথোঙ মপান্দসু চেকখায়বা, অমাংথোঙ ময়াদসু ক্বাকলৈ অমুনবগুম্না পোল্লগা লৈবা, পোল্লকপা অদু হকচাং করিসু তৌদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, খোঙ অকনবা হান্নকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপানগী চেকখায়ফম অদুদা থেংলগা ঈসু তারকপা অমদি য়াম্না নাবা, অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা চক-চক থিল্লকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগনা অমাংথোঙদা চিক্লি-চিক্লি তৌরগা নাবা, মরক মরক্তা হামেং মথি ফায়বগুম্না মকক-মকক হান্নকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, পুকচেপ নাবা, ফন্বী য়াম্না শোনবা, ফন্বী কংবা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, য়াংলেন শরূদা নাবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5344/25 থাগৎচরিবা : **T. Chand Singh,** Malom



পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লবা মরী লৈনদে।